# য়ুরোপকী লুচিংবা ২৭তা হায়জরে, মদুবু মখোয় লোইনা কিরে : জেলেন্সকি



কিভ, ফেব্রুৱারি ২৫ (এজেন্সী):
নাটোনা য়ুক্রেনদা মেম্বরশিপ গরেন্টি পীবা কিবদগী লৈবাক অসিনা অতৈগী মতেং য়াওদনা মশা ঙাকথোকচনবা হোৎনরি হায়না য়ুক্রেনিয়ন প্রসিদেন্ট ভোলোদিমির জেলেন্সকিনা ফোঙদোকখ্রে।

ভোলোদিমির জেলেন্সকিনা হায়খি মদুদি, ঐহাক্না মখোয়দা ঐখোয়বু শৌগৎপরা হায়না হংখি। মখোয়না ঐখোয়বু শৌগৎলি হায়রকখি। তৌইগুম্বসুং মখোয়না ঐখোয়বু এল্লাইএন্স অদুদা (নাটোদা) য়াওহনবা পামদে। জেলেন্সকিনা মখা তারদুনা হায়খি, য়ুরোপকী লুচিংবা ২৭তা য়ুক্রেন নাতেটাদা য়াওহনগদ্রা হায়না হংখি। ঐহাক্না মখোয়দা হকথেংননা হংখি। তৌইগুম্বসুং মখোয় লোইনমক কিবদগী ঐহাক্কী পাউখুম পীরকখিদে। ঐখোয়না ইশানা ইশাবু ঙাকথোকচবা তাখি।

কনানা ঐখোয়গীদমক্তা লান শোক্লনবা শেম-শাগদে? শেংনা হায়রবদা ঐহাক্না কনামত্তা উবা ফংদে। কনানা য়ুক্রেনদা নাটোগী মেম্বর ওইহনগনি হায়বগী গরেন্টি পীনবা শেম-শারিবনো? অশেংবমক লোইনমক কিরে হায়না প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিনা মখা তাখি।

য়ুক্রেনবু মথন্তা মোস্কো মায়োক্ন হল্লি হায়না মরাল শীরদুনা ইরাই নুমীৎতা প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিনা হায়খি, রসিয়ানা লান্দারক্লিবসি লোইশিনবা য়ানবা ঐহাক নিগোসিএসন তৌনবা কিদে, তৌইগুম্বসুং মসিগীদমক সিক্যুরিটি গরেন্টি মথৌ তাই। অয়ুক অঙনবদা কিভতগী ৱা ঙংখিবা জেলেন্সকিনা হায়খি, ঐহাক্না নোংচুপলোমগী পার্টনরশিং কন্টেক্ট তৌদুনা য়ুক্রেনগী লাইবক তম্বা ঙমদ্রে হায়খি।

জেলেন্সকিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, য়ুক্রেননা ন্যুট্রেল ওইনা লৈবগী ৱাফম মতাংদা ৱারী শানবদা মঙোন্দা অকায়বা লৈতে। তৌইগুম্বসুং মহাক্কী লৈবাক্না অহুমশুবা পার্টিগী গরেন্টি মথৌ তাই। ঐখোয় রসিয়া কিদে, রসিয়াগা ৱারী শানবা ঐ কিদে, হীরম খূদিংমক হায়বদি য়ুক্রেনগী সিক্যুরিটি গরেন্টি অমসুং ন্যুট্রেল ষ্টেটসনচিংবা পুন্নমক শানবা য়াই।

ন্যুট্রেল ষ্টেটস অমসুং ওফেন্সিপ খুৎলায়শিং থমহন্দবা হায়বসি পুটিনগী মরুওইবা কন্দিসনশিংনি অমসুং কিভনা ৱারেপ লৌগদবদা ঙাইরে হায়না শগোলশেল নুমীৎতা ক্রেমলিনগী স্পোক্সমেন দমিত্রি পোস্কোভনা ফোঙদোকখিবনি।

# কিভতা মখা তানা পোকখায়বগী মখোলশিং তাখ্রে

কিভ, ফেব্রুৱারি ২৫ (এজেন্সী):
য়ুক্রেনগী মায়োক্তা রসিয়ানা স্পেসল মিলিটরি ওপরেসন চথরকপা ইরাই নুমীৎতা নীনি চল্লকপগা লোয়ননা য়ুক্রেনগী কেপিটেল কিভতা পোকখায়বগী মখোল অনী তাখ্রে হায়না লোকেল মীদিয়া রিপোর্টনা হায়রি।

এজেন্সীগী রিপোর্টনা হায়, লোকেল ওথোরিটিশিংনা কনফর্ম তৌরক্ত্রিবা পোকখায়বগী মতম অদুৱাইদা এয়র রেইদকী এলার্ট লৈখিদে। ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী এদভাইজর এন্টোন গেরাসবেনকোনা টেলিগ্রামদা ইরদুনা মহাক্না মতিক ময়াই লৈনা পোকখায়বগী মখোল অনী তাখি হায়খি। মতুং তাবদা মহাক্না মখোলশিং অদু য়েক্লবগী প্লেনশিং নৎত্রগা দ্রোনশিং লাকপদা ঙাকথোক্ল বা ঐখোয়গী এয়র দিফেন্সনা এট্টেক তৌখিবগীনি হায়না শেংদোকখি।

মেয়র ভিটালি ক্লিসৈচেনকোনা ত্বিটরদা ফোঙদোকখিবদা, মী লৈনবা বিল্ডিংদা মিসাইলগী মচেৎ-মকায়শিং তাশিল্লকখিবদা মীওই অহুম শোকখি। মখোয়গী মনুংদা মীওই অমগী ফীভম লুখি। মহাক্না ৱালগী শরুক খরা কায়রবা বিল্ডিং অমা অমসুং ইমর্জেন্সি সর্ভিসশিং উৎপা ফোটো অমসু থাগৎখি।

শগোলশেল নুমীৎতা রসিয়ন প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিননা ওর্দর তৌদুনা দোনবাসতা স্পেসল মিলিটরি ওপরেসন অমা চথহনখি। য়ুক্রেনগী মিলিটরি ইন্সটোলেসনশিংদা এট্টেক চথরক্লে হায়বসি লৈবাক অসিনা কনফর্ম তৌখি। রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী মতুংইন্না ওপরেসন অদুদা মাঙহন-তাকহনখিবা ফেসিলিটিশিং অদুদা য়ুক্রেনগী এয়রফিল্ডশিং, কম্মান্দ পোষ্টশিং, নেভল বেজশিং অমসুং বাদর ষ্টেসনশিং য়াওখি।

# ইন্দোনেসিদা য়ুহা হাবদা ৪ শিরে, ২০ হেন্না শোক্লে

জকর্টা, ফেব্রুৱারি ২৫ (এজেন্সী):
ইরাই নুমীৎতা ইন্দোনেসিয়াগী নোংচুপ থংবা প্রোভিন্স ৱেষ্ট সুমাত্রাদা মেগ্নিট্যুদ ৬.১ য়ৌনা য়ুহা হারকখিবদা বিল্ডিং অমসুং য়ুম লিশিং ১০ হেন্না মাঙ-তাকখিবগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা মীওই ৪ শিখ্রে অমসুং ২০ হেন্না অশোক-অপন নংখ্রে হায়না লোকেল ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মদুগী মমাঙদা মেটিওরোলোজি, ক্লাইমেটোলোজি অমসুং জিওফিজিক্স এজেন্সীনা ইস্যু তৌখিবা রিপোর্ট অমদা য়ুহা অদু রিক্টর স্কেলদা ৬.২দা হাখিবনি অমসুং মদু রিভাইস তৌরবা মতুংদা ৬.১দা লেপখিবনি। ৱেষ্ট সুমাত্রা প্রোভিন্সকী দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এন্দ মিটিগেসন এজেন্সীগী ওপরেসন য়ুনিটকী মকোক জুমাইদিনা ফোনগী খুত্থাংদা এজেন্সীদা ফোঙদোরকখিবদা, বিল্ডিং কয়া মাঙ-তাকপা অমদি মীশি-মীনাশিং থোক্লিবদু পসামান অমসুং পসামান ভারত দিষ্ট্রিক্টশিংদনি। য়ুহা অদুদা শিখিবা মী মশীং ৪ শুরে। পুন্না য়ুম অমসুং বিল্ডিং লিশিং ১০ মাঙ-তাক্লমগনি হায়না পারি। য়ুহা অদুনা চৈথেং নংহল্লবশিংগী ফীভম য়েংশিন্নবা অমদি মখোয়বু মতেং পাংনবগীদমক রেদ ক্রোসকী পর্সনেলশিং, রেস্ক্যুয়রশিং অমসুং গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিং মফমশিং অদুদা চঙশিনখ্রে।

মহৌশাগী ওইবা শাথিরবা থৌদোক অদুনা মীওই লিশিং কয়া ময়ুম-মকৈ লৈহন্দবদগী মফম কয়াদা চঙজফম লৌনবা হোৎনরি। য়ুহা অদু জকর্টাগী মতমদা অয়ুক পুং ৮.৩৯ তাবা মতমদা হারকখিবনি। মদুগী ইপিসেন্টরনা পসামান ভারত দিষ্ট্রিক্টকী অৱাং নোংপোকলোমদা কিলোমিটর ১৭ রোম লাপ্পী অমসুং কিলোমিটর ১০ রোমদমক লুই। মেটিওরোলোজি, ক্লাইমেটোলোজি অমসুং জিওফিজিক্স এজেন্সীগী মতুংইন্না য়ুহা অদুনা সুনামি থোকহনবদি লৈতে।

# 'য়ু এসনা ভিয়েটনামগী থৌদোক্তগী করিমত্তা খঙলমদ্রে'

ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱারি ২৫ (এজেন্সী):
রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী মরক্তা লান শোক্লরিঙৈ মরকসিদা পাকিস্তানগী প্রসিদেন্ট ডা. অরিফ অলভিনা হায়খ্রে মদুদি, য়ু এসনা মমাঙদা থোকখিবা থৌদোক্তগী করিমত্তা খঙজিল্লমদবদগী হৌজিক অতোপ্পা লাং অমদা থুরে।

দোনগী রিপোর্টনা প্রসিদেন্ট অলভিগী ৱারোল পল্লদুনা হায়, য়ু এসনা ভিয়েটনামগী লানদগী পারা অমা তমদুনা অতোপ্পা লাং অমদা অমুক থুংররোই হায়না ঐহাক্না লান্না থাজখি। পাকিস্তানগী প্রসিদেন্টনা ৱাফম অসি শগোলশেল নুমীৎতা নুমীৎ নীনিগী ওইবা ইন্টরনেসনল কনফরেন্স অমগী অরোইবা সেসনদা ৱা ঙাংবদা ফোঙদোকখিবনি।

অমরোমদা, পাকিস্তানগী প্রসিদেন্টকী ৱাফম অসি লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা নুমীৎ নীনিগী রসিয়া খোঙচৎতা রসিয়ন প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিনগা উনখিবগা ঈরোয়ননা ফোঙদোরকখিবনি। অদুম ওইনমক মহাক্না তোঙান তোঙানবা লমশিংদা মরুওইনা ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি সেক্তরদা য়ু এসকা মরী ফগৎহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি। প্রসিদেন্ট অলভিনা হায়খি মদুদি, য়ুরোপনা মখোয়গী লমদা মখা তানা লান শোক্লদনবা ৱারেপ লৌখ্রবসু মখোয়না অফ্রিকা অমসুং মিদল ইষ্টকী লৈবাকশিংদা অমাঙ-অতা থোকহনবদি লেপ্তে।

# য়ুক্রেনদা দোল্লর মিলিয়ন ৬০০কী খুৎলায় মতেং পাংবা পাম্লি

ৱাশিংতন, ফেব্রুৱারি ২৫ (এজেন্সী):
কিভনা রসিয়াগী মিলিটরি এট্টেক্তগী ঙাকথোকচবদা মতেং ওইনবা কেপিটোল হিলগী লোমেকরশিংনা য়ুক্রেনদা দোল্লর মিলিয়ন ৬০০ রোমগী খুৎলায়শিং মতেং পাংবা পাম্মী হায়না শগোলশেল নুমীৎতা য়ু এস হাউস স্পিকর নেনসি পেলোসিনা ফোঙদোকখ্রে।

মদুগী মমাঙ অঙনবদা য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা রসিয়াগী মায়োক্তা মখা তানা শেল-থুমগী অথিংবশিং লাউথোকখিবগা লোয়ননা য়ুরোপতা য়ু এসকী অহেনবা ত্রুপশিং দিপ্লোয় তৌনবা খঙহনখিবনি। য়ুক্রেনদা য়ু এস ফোর্সশিং থারোই হায়নসু বাইদেননা ফোঙদোকখি। রসিয়ন প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিননা শগোলশেল নুমীৎতা দোনবাসতা স্পেসল মিলিটরি ওপরেসন অমা চথনবা ওর্দর তৌখিবনি।

য়ুক্রেননসু লৈবাক অদুগী মিলিটরি ইন্সটোলেসনশিংদা রসিয়ানা এট্টেক চথরক্লে হায়বসি কনফর্ম তৌখি। টেলিভিজনগী থোঙদা ৱা ঙাংলদুনা লৈবাক মীয়ামদা হায়খি মদুদি, ঐখোয়গী থৌরাংদা য়ুক্রেনগী লম পায়শিনবগী ৱাফম য়াওদে। ঐখোয়না কনামত্তদা নম্ফুদা ঐখোয়গী অপাম্বশিং থুংহন্নবা হোৎনরোই। রসিয়ানা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিদি নাটোগী মায়কৈদগী কিহল্লকপদগীনি।

SMART TUTORIAL CENTRE
SINGJAMEI SUPER MARKET
ADMISSION OPEN

**NEET, JEE & NDA (REGULAR COURSES)**
START ON 10th MARCH 2022
**BOSEM / COHSEM FOR**
**CLASS IX, X, XI (SC, ARTS, COM) & XII (SC, ARTS, COM)**
START ON 10th MARCH & 13th APRIL 2022
SUBJECT :- ALL (HURRY LIMITED SEAT)
*Available - Van, Hostel for Boys and Girls*
Class timing 5 a.m. to 7.20 a.m., 10 to 2 p.m.
4 p.m. to 7.20 p.m.
Run by well trained (1) BOSEM, COHSEM
(2) K.V.S./CBSE of experience teacher

**CBSE FOR CLASS IX, X, XI (SC, ARTS, COM) & XII (SC, ARTS, COM)**
START ON 11th APRIL 2022 &
18th MAY 2022

**40 days Revision 60% course for Class XII Sc. COHSEM/ START ON 2nd MARCH 2022**

*For Query*
# 8730999192, # 03857 966211

HL-P/1527/24/2-29/4 (alt)

# ইন্দিয়া অমসুং য়ু এসনা মান্ননা থবক তৌগনি হায়না থাজে : বাইদেন

ন্যু য়োর্ক, ফেব্রুৱারি ২৫ (এজেন্সী):
য়ুক্রেনগী মতাংদা ইন্দিয়ানা য়ু এসকা মান্ননা থবক তৌরক্কনি হায়বগী অপাম্বা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা ফোঙদোকখ্রে।

শগোলশেল নুমীৎতা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা মরুওইবা দিফেন্স পার্টনর অমা ওইরিবা ইন্দিয়ানা য়ু এসকা রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী মতাংদা মান্ননা থবক তৌরক্কদ্রা হায়না হংবদা বাইদেননা হায়খি, লৈবাক অনীনা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম য়েংলগা মান্নবা খোঙথাংশিং পায়খৎকনি। হীরম অসিগী মতাংদা ইন্দিয়াগা ঐখোয়গা ৱা তান্নরি। ৱাফম অসি চপ চানা লৈখায় তাবদি লৈত্রি হায়নসু প্রসিদেন্ট বাইদেননা ফোঙদোকখি।

ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী স্পোক্সপর্সন নেট প্রাইসনা ফোঙদোরকখিবদা, সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্টোনি ব্লিনকননা ইন্দিয়াগী এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্টর এস জয়শঙ্করগা শগোলশেল নুমীৎতা ৱারী শানবদা রসিয়াগী মায়োক্তা অকনবা এক্সন পুন্না লৌখৎমিন্ননিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রে। ব্লিনকননা জয়শঙ্করগা ৱারী শানখিবা মতুংদা এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্টর অসিনা ত্বিটর পোষ্ট অমদা ফোঙদোরকখিবদা, ব্লিনকননা কোল তৌরকখি অমসুং য়ুক্রেনদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভমশিংগী মতাংদা খন্নখি হায়খি।

ন্যুজ কনফরেন্স অদুদা প্রসিদেন্ট বাইদেননা রসিয়াগী মায়োক্তা লৌখৎকদবা শেল-থুম অমসুং ষ্ট্রেটেজিক্কী অথিংবা পরিং অমা খঙহনবগা লোয়ননা খোঙথাংশিং অদুনা খুদক্তা অমদি মতম খরগী মনুংদা রসিয়ন ইকনমিদা য়াম্না শাথিবা চৈথেং অমা শোয়দনা নংলগনি হায়খি। রসিয়ন প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিননা শগোলশেল নুমীৎতা য়ুক্রেনদা রসিয়ন ফোর্সশিংবু লান দাহনখিবগী পাউখুম ওইনা বাইদেননা ফোঙদোকখিবদা, য়ু এস অমসুং মসিগী মীচঙশিংনা মোস্কোবু দোল্লর, য়ুরো, পাউন্দ অমসুং য়েন শীজিন্নবদা অথিংবা কয়া থমদুনা গ্লোবেল ট্রেদতা শরুক য়াবদা ৱাহনগনি হায়খি।

**This may be published in Newspaper and TV from the day following the last date for withdrawal of candidature and upto two days before the date of poll**

**Format C-1**

*(for candidate to publish in Newspapers, TV)*

Declaration about criminal cases

*(As per the judgment dated 25th September, 2018 of Hon'ble Supreme Court in WP (Civil) No. 536 of 2011 (Public Interest Foundation & Ors. Vs Union of India & Anr.)*

Name and address of candidate : **Keisham Meghachandra Singh**
**Yairipok Bishnunaha, P.O./P.S.- Yairipok, Thoubal District, Manipur-795149**

Name of political party: **Indian National Congress (INC)**
*(Independent candidates should write "Independent" here)*

Name of Election : **12th Manipur Legislative Assembly Election, 2022**

*Name of Constituency: **32-Wangkhem Assembly Constituency**

I **Keisham Meghachandra Singh** (name of candidate), a candidate for the abovementioned election, declare for public information the following details about my criminal antecedents:

**(A) Pending criminal cases**

| Sl. No. | Name of Court | Case No. and dated | Status of case(s) | Section(s) of Acts concerned and brief description of offence(s) |
|---|---|---|---|---|
| 1. | **Special MP/MLA Court, Lamphelpat** | **Spl. T (SC ST POA) Case No. 01 of 2020** | **Charge Hearing** | **U/s 353/ 506/ 34 of Indian Penal Code, 3 (1) X SC/ST Prevention of Atrocities Act 1989 & 131 (1) (b) (2) Representation of Peoples Act, 1951.**<br><br>**Allegation of making obstruction to performing duty of Government Servant who is a Police personnel, threatening to put his service under suspension and allegedly insulting him for being a Scheduled Tribe while he was posted at polling station No. 7/40 Nongpok Keithel Manbi Primary School, Keithelmanbi in connection with Phase II polls of Lok Shaba Election, 2019** |
| 2. | **Supreme Court of India.** | **SLP (Cril) No. 9127 of 2021**<br><br>**Dated: 21-11-2021** | **Stay of the proceedings initiated pursuant to the FIR case pending before the Special MP/MLA Court, Lamphelpat** | **SLP has been filed before the Supreme Court whereby the High Court's order dismissing the Criminal Petition filed for quashing the Fir case has been challenged. The Hon'ble Supreme Court vide its order dated 13-12-2021 has been pleased to issue notice and stay the proceedings initiated pursuant to the aforesaid FIR Case** |

**(B) Details about cases of conviction for criminal offences** **NONE**

| Sl. No. | Name of Court & date(s) of order(s) | Description of offence(s) & punishment imposed | **Maximum Punishment imposed** |
|---|---|---|---|
| NA | Not Applicable | Not Applicable | Not Applicable |
| NA | Not Applicable | Not Applicable | Not Applicable |

* In the case of election to Council of States or election to Legislative Council by MLAs, mention the election concerned in place of name of constituency.

HL-P/1596/26